# ‘উরুবদা খল্লকপা খরা’

মতম মতমগী

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

মণিপুর সনা লৈবাক্লি হায়নরম্মী, হৌজিকসু অইবা-অইবীশিংনদি অদুম হায়নরি। শৈরেং অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবশিংনদি সনা খক্তবু নত্তে, সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবী মণি-মুক্তাগী লমনিবু হায়নরিবনি। লৈবাক নীংবগী শৈরেং অমদি ঈশৈ ময়েক ইবশিংনদি মণিপুর অসি আ য়ৌনা, সর্গ য়ৌবমখৈ থাঙ্গৎনরিবনি। মণিপুরগী নুংঙাইবা অমদি ফজবা শৈথানবা ৱাহৈ লৈতে, ৱাহৈনা ৱাৎলগদবনি হায়নরিবনি। ফসু-ফজরম্বজাৎনি, ঐখোয়সু থেংনহৌই, চাবা থকপনা হাওরল্লিবা, নোংজু-নুংশা, হৱা-নুংশিৎ অমদি অঙ্গৈং-অশানকা নুংঙাইরল্লিবা, চাংদম্লিংঙাই লৈরমদবজাৎনি। লাইনা থাবা লৈবাক্লি হায়নরল্লিবনি। মদু পূম্নমক অদু হৌজিক্কী মীরোলনদি খঙলরোই, করম্নবুদি খঙগনি? সুপরফাইন চেঙ চারিবা মীওইশিংনা চংলৈ, মোইরাংফৌ অমদি ফৌরেল চেঙগী মহাউ কমদৌনা খঙগনি? মশক উবদি লায়রদুনা মমিং ফাওবা তারমখিরোই। সরৎকী পুর্ণিমা, বসন্তগী থাবল অমদি ৱাকচীংগী উলেন শৈরেংবশিংগী ময়েক্তা য়াওবা অমদি শৈশকপশিংগী ঈশৈদগী তাবা নত্তনা কনানা উরমগনি? থাবুদি উরমগনি ঙসিসু মহৌশাগী মহৌশাগুম অদুম থোক্লি অদুবু উপাল-ৱাপাল, উতোল-ৱাতোলদগী লিৎখৎলকপদুদি নৎত্রে, দলানগী মরুমদগী অৱাংবা য়ূমগী য়ূমথক্তগী লিৎখৎলকপদুনি সহরগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা উনরিবসি। চীংগী অশং-অমান উখিদ্রে, মরূ ইকোক কোকখ্রে, তুরেলগী ফজবা মাঙখ্রে, নলা ওনখ্রে। ৱাকচীংগী উলেনবু কনানা উবা ফংলিবগে? উখিদ্রে, উন তাখিদ্রে। নোংজুথাদা নোং চুখিদ্রে, ইঙা, ইঙেনগী ইকা-ইকুমগী ঙা কনানা চাবা ফংলিবগে? মীতৈ ঐখোয় খক্তনা পাম্না চানরম্বা (হৌজিকপুদি লমদম অসিদা লৈবা নন লোকল খরনসু য়াম্না পাম্না চানরবা) লমদম অসিগী মরু ওইবা চীঞ্জাক অমা ওইরিবা ঙারী লমদম অসিদা নম্বা (শেম্বা) ওইরবসু ঙসিদি নম্নবা ঙাদি মপান লমদগী পুশিল্লক্লে। মতম অমদা লমদম অসিদগী ফাবা ফাবৌ ঙানা নল্লম্বদু ঙসিদি জাগীরোদতগী নৎত্রগা করিমগঞ্জদগী গাড়ী লোদ-লোদ পুশিল্লক্লগা নম্লে। ঐখোয়না প্রোসেস তৌজবগী ঐখোয়গীনি হায়দোই মঙাইরে, পোৎতি মপানগী ওইখ্রে।

সনা লৈবাক্লি হায়না চাউথোকচরম্বা লমদম অসিদা ঙসি ঐখোয়গীনি হায়বা করি লৈহৌরিবগে? লমদম অসিগী মরু ওইবা শিনফম লৌউ-শিংউবনা ওইরি। অপূনবা পোপ্যুলেশনগী চাদা ৮০ রোমগী চাংদা ওইরম্বদু হৌজিক মতমগী মতুংইন্না অতোপ অতোপ্পা শিনফম খরা পায়নখ্রবসু চাদা ৬৫দগী ৭০ ফাওবদি লৌউ-শিংউবগী থবক তৌনরি হায়না লৌবা য়াই। লৌউ-শিংউবনা মরু ওইবা শিনফম ওইরিবা লমদম অসিদা লৌউ-শিংউবগী পোখোক কয়া য়াম্না পুথোক্লবগে? পুথোক্লিবা পোখোক অদুনা ঐখোয় শীজিন্নবা কোন্নরবরা? ঐখোয়না পুথোকচবা ফৌনা ঐখোয় চাবা কোন্নদে, মপান্দগী চেঙ পুশিল্লকই। লমদম অসিগী মীওই অয়াম্বনা মপানগী চেঙ চাদুনা হিংলি। হৱাই-চেঙৱাই, মনা-মশিংসু অদু মঙাই, হৱাই থরাক, হৱাই মুবী অমদি ভেলেন্দ্রিদগী হৌরগা অতৈ হৱাই মখল খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লক্লি। পুশিল্লক্ত্রবদি চাবা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে। নুমিৎ খুদিংগী অহিং অথেংবদগী হৌরগা অয়ূক অঙনবা ফাওবদা নাগামপানগী সবজি (মনা-মশিং) হোলসেল্লরশিংগী দুকান মমাঙদা গাড়ী পরেং পরেং থাদুনা অসামদগী পুশিল্লকপা সবজি (মনা-মশিং) থারিবশিং অসিনা লেংদ্রবা খুদম-চাংদমনি। কোবিফুল, থমচেৎমানবীদগী হৌরগা খামেন বারমাশিকা (থা ১২ চূপ্পা পাল্লি হায়দুনা বারোমাশিক হায়নরম্বদগী বারমাশিকা ওনখিবনি হায়নৈ) অমদি খামেন অশিনবা ফাওবা অয়াম্বনা মপান্দগী পুশিল্লক্লগা চারি। ঐখোয়না পাম্না চানরিবা ঙা অতেকপা, য়েন অমদি য়েরূম ফাওবা অয়াম্বনা মপান্দগী পুশিল্লক্লি। ওল্ড এসেমব্লি বিল্ডিং মনাক্তা লোকল রিটেল্লরশিংনা অয়ূক অঙনবদা গাড়ীদগী থাদ্রিবা আলু অমসুং তিল্হৌ বোরা বোরা মুন্নরিবা অসি উরুরগদি লমদম অসি লৌউ-শিংউবনা মরু ওইবা শিনফম ওইরি হায়বদা চীংনদবা ঙমদে। উহৈ ৱাহৈদসু অদু মঙাই লমদম অসিগী মার্কেটতা উহৈ য়োনবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। মসিনা তাকপদি লমদম অসিদসু উহৈ-ৱাহৈ চাবগী চাং ৱাংলে হায়বনি। অফবা খুদম্লি, অদুবু লমদম অসিগী উহৈ য়োনবগী চাংদি নেল্লে, ঐখোয়গী হৈনৌ, হৈখা, চুম্ব্রে, নাসপাতি কনানবু য়োল্লিবগে? য়োল্লবসু লৈবীনবা মীগী মশীংদি য়ামদে। তাঙলবসু তাঙনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা কাশ্মীরগী সেম, মালদাগী হৈনৌ (মালদোই হায়নবগুম তৌই) হিমাচলগী অঙ্গুর অমসুং মৌশমী অমদি এলাহাবাদকী অমরুদ (পুঙতোন) চারম্বদগী হৌজিক্তি থাইলেন্দগী পুশিল্লকপা চানরে।

পঞ্জরিবা খরসিনা লোইবা নত্তে, খরখক নীংশিংজবনি, লোইনমক পাক্তক্লা ইজনবগী খুদোংচাবা লৈতে। শেৎলি ইল্লিবা ফিরোল, য়ূম-কৈ শাবদা শীজিন্নরিবা পোৎ চৈদগী হৌরগা নোংমগী শীজিন্নরিবা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লক্লি, ইশম শম্না মীপান তাংদুনা হিংলি। লৈবা অমদি য়োনবা ঙসিদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা তৌনরি। মার্কেটকী ৱাহল্পোকসু লৈবা অমসুং য়োনবা অনীগী উন্নফম মফম অদুনি হায়নরি। ৱারেংজরিবা ইশামক্তি ইকোনোমিক্স (শেল-থুমগী মরমদা খঙনবা অমদি নৈনবা মী) অমদি নত্তে অদুবু মীপূম খুদিংক্লা খঙনরবা ৱাফম অমদি ঐহাকসু খঙই মদুদি পোৎ য়োনবা মীনা শেল লৌশিনবা, লৈবনা পীথোকপনি। ঐখোয় মীতৈদি অয়াম্বনা পোৎ লৈবা ঙাক্তনি, হোয় য়োনবা মীওই খরসু লৈতবদি নত্তে, লৈ অদুবু মদুসু অয়াম্বনা রিটেল্লরনি (চোইনা য়োনবা মী) মখোয়সু মখোয়গী হুমাংমল ওইনা ফংফম থোকপা অপীকপা মার্জিন খরা ফংহৌরগা অয়াম্বা শরুক্তি মপান্দা চৎখিবনা লমদম অসিদা শেল তুংহৌদে। অদুনা ঐখোয়গী ইকোনোমি (শেল থুমগী ফীভম) দি উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবগুম্বনি, ঐখোয়গী খূত্তা লৈহৌদে। মমাঙদসু পঞ্জখ্রে লমদম অসিদা শীজিন্নরিবা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদগী হৌরগা চান-থক্লবা মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ পূম্নমক মপান লমদগী পুশিল্লকপনা লমদম অসিগী শেল থুমগী চূপ্লি নন লোকলশিংগী মখূৎতা লৈখ্রে। লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা মার্কেট অমা ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ বজারসু ইমা কৈথেল অহুম অসি নত্তনা অতৈ লল্লোন ইতিক্কী থবক থৌরমশিংদি মীতোপকী মখূৎতা তাখ্রে। খ্বাইরম্বন্দ বজারদা লৈরিবা পীক্তা পীল্লবা দুকান্দগী হৌরগা অচৌ অচৌবা দুকান অয়াম্বা নন লোকলশিংগীনি। দুকান্দা উরিবা মীতৈশিং অসিদি মখোয়গী ৱার্কর ঙাক্তনি। বজারদা উরিবা মশীং য়াল্লবা মীতৈশিং অসি মখোয়গী (নন লোকলশিংগী) কষ্টমর ঙাক্তনি। অদুনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা পোৎ লৈবা লাকপা নত্তনা বিজিনেশতা মীতৈগী মফম লৈশিল্লক্ত্রবনি, মীতৈদি মখোয়গী মমল য়াল্লবা কষ্টমরনি। বিজিনেসতা হৌজিক ঐখোয় মীতৈগী ওইনা লেংদনা লৈরিবা মফম অমা হায়বা তারবদি অয়ূক অঙনবদগী হৌনা পুলিসনা পোৎ চৈ চাইখাইদুনা কোইতান তাল্লিবা লম্বীগী নাকলদা নোংজু নুংশা খাঙদুনা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিখক্তা ঙাইরবনি।

চীং-তম অনী পুল্লগা শেম্বা লমদম অসিদা মীতৈনা হান্না খুন্দারম্বগী মৈত্রবাক (মীতৈগী লৈবাক) কৌনরম্বা, কংলৈপাকসু হায়নরম্বা ঙসিনা মণিপুর হায়না খঙনরিবা লমদম অসিগী অশেংবা মপু ওইরিবা মীতৈ ঙসিদি হীরম খুদিংমক্তা মীখা পোন্না, নীংবা কায়না হিংলি। শেন্দাল লম্বী মরাং কায়দ্রে, শূফম নোম্ফম লৈরক্তে। লৈঙাক্কী থবক তৌহৌবা মীওইশিংগী তোলোপ অমসুং পেন্সন চাং নাইনা ফংলবসু নোংমগী শূর-নোল্লগা হিংজবা মীওইশিংগী শেম্বোক লম্বীদি হম্বখ্রে। মণিপুরগী পাক চাউবা হম্বদ্রবসু মপু ওইরিবা মীতৈগী চখোক চৎশিন য়াবগী চাংদি হম্বখ্রে। মীতৈ তম্পাক লমদগী হেন্দোকপা ঙমদ্রে। মৈত্রবাক্তা মীতৈ মনীং তম্না চৎনীংবা মফমদা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে। মণিপুরগী অপূনবা মীশিংনা নোংম-নোংমগী হম্বরক্তুনা মাইনোরিটি ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে। মীতৈগী অহল লমনশিংনা ঙল্লিবৈঙে মতমদগী হায়নরকপা য়োংনা লৌপু তানবা হায়বা পাউরৌদু চুল্লক্লে। মপান লমদগী চঙলক্তুনা শৈদাংদুনা লৈরকপা মীওইশিংনা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈবু তাম্বোরক্লে। ঙসিদি মীতৈ কয়া মশা মশাগী লমদা রিফ্যুজিগুম্না পূন্সি লেল্লি। ওইরক্লি খল্লুদবা, থাজদবা কয়া কয়ানি উরুবদা খল্লকপা খরনি। ●

# জুন ১৪ : ‘ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দে’ লাকপদা মতম অমগী পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুর

**- সনাহল ক্ষেত্রি-**

**ৱাহৌদোক :** জুন ১৪, মালেমগী ব্লদ দোনর দে লাকপদা মতম অমদা মশেক মঙাল থোক্লা মীয়ামগীদমক্তা চেন চোংজরম্বা অমদি মণিপুরদা ঈ দান তৌবগী লম্‌দা মাঙজিল থানা থবক তৌরম্বা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুর নীংশিংদবা ঙল্লক্তে।

কুমজা ১৯৭১গী দ্বিপানিতা নুমিৎতা মৈগী কুম্মৈ য়েংবা লাকখিবা মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা মণিপুর পুলিসকা খূৎশম্নদুনা পাওনা কৈথেলগী খারোমদা গভর্ণরগী লম্বী হাইজিনফম মপাদুদগী অৱাংলোমদা পাওনা কৈথেলগী অরোইবা মচিন্দু ফাওবা ‘ৱান ৱে ত্রাফিক’ হৌদোক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংখিবা অমদি নুমিত্তুদা তৌখিবা থবক্তুবু শকখঙবীদুনা মতমদুগী মণিপুর সেন্ত্রেলগী এস পিনা লুপা ১০০ খক্কী রিৱার্দ পীরকখিবা অদুনা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুর লিংখৎনবগী মরূ হুনবা হৌখি। চহীদুমক্কী নবেম্বর ৭তা ‘সর্ভিস ফোর হ্যুমেনিটি’ (মীওইবা জাতিগী সেবা) হায়বা ৱাখল্লোনসিদা নিংথৌখোংজম রাধাকান্ত, উরিপোক অমসুং কে ঐচ জিকেন য়াইস্কুল অনীনা প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ওইদুনা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুর শাফোঙলকখি। সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেশন এক্ট, ১৮৬০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা রেজিষ্ট্রেশন নম্বর ২১৯৭ ওফ ১৯৭৭ ওইখি।

ক্লব অসিগী মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা শীংথানীংঙাই ওইবা থবক খরদি - কুমজা ১৯৭২দগী হৌনা চহী খুদিংগী ইম্ফালগী ময়োল পোলোগ্রাউন্দ অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা নুমিৎ ১০/১০নিগী রেসিদেন্সিএল কেম্পশিং পাঙথোকপা, ওর্ফান হোমশিংদা ঙমজবা মতেং পাংবা, মণিপুর সোসিএল ৱেলফেয়র বোর্দকী শেম্হংগা লোয়ননা কালেন ছুটি মনুংদা মহৈরোয়শিংগী নুমিৎ ১০নিগী হোলিদে হোম কেম্প পাঙথোকপা, মহৌশাগী ওইবা অৱা অনা থোরকপা মতমদা পাঙ্গলগী অমসুং শেলগী মতেং পাংবা, ৱারেংজরিবনা জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুরিঙৈ কুমজা ১৯৭২-৭৩গী লোইরমদাই (চপ চাবা মতম নীংশিংদ্রে। কুমজা ১৯৭৩গী জন্যুৱারী থা ওইবা য়াই) দা মণিপুরগী সুরগী নিংথৌরেল নোংমাইথেম পহারিগী মিংদা জি এম হোলদা শো অনীরক উত্তুনা পাঙথোকখিবা ‘পহারি নাইট’ য়ুথ ফেষ্টিবেলশিং অমদি মণিপুরদা মপূং ফাবা ব্লদ বেঙ্ক অমা লৈরক্লবগী মঙলান্দা কুমজা ১৯৭৫গী ফেব্রুৱারী ১১দা ঈ দান তৌবগী খোঙজং হৌদোকখিবশিং নীংশিংবদা মতিক চাই।

**মণিপুরদা ঈ দান তৌবগী ঈহৌ :-** কুমজা ১৯৭৫গী ফেব্রুৱারী ১১গী মমাঙদা ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুরদা মশানা য়ানা শেল লৌদনা কথোকপগা লোয়ননা ঈ দান তৌবগী থবকসি লৈরমদে হায়না লৌবদা অরানবা ওইরোই। মতমদুদা ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা প্রোফেশনেল দোনরশিংদগী অৱাংবা মমলদা লৈদুনা নৎত্রগা ইমুং-মনুং, মরী-মতা, খঙন-চান্নবশিংদগী তঙাইফদনা হায়নদুনা ঈ পীদুনা মীওইবগী পূন্সি কনবা চৎনরকই।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ‘মীওইবা জাতিগী সেবা’ (সর্ভিস ফোর হ্যুমেনিটি) হায়বা ৱাখল্লোনসিদা লিংখৎখিবা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুরনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা ঈ দান তৌবগী ৱারেপ লৌখি। কুমজা ১৯৭৫গী ফেব্রুৱারী ১১দা মতমদুগী রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (হৌজিক্লা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, লম্ফেল) দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর রাজকুমার দোরেন্দ্র অমসুং হকশেল মিনিষ্টর টি পি ক্যুলেনপাওনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইবীদুনা পোল ষ্টার ভোলন্টরি ব্লদ দোনেশন হৌদোকখি। থৌরমদু মপূং ফানা অমদি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতমদুগী রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাক্তর কুমুদ, সিনিয়র পেথোলোজিষ্ট ডা. যোগেশ্বর, মেদিকেল দিরেক্টর নন্দ অমসুং অতৈ অতোপ্পা সবোর্দিনেট ষ্টাফশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীখি। নুমিৎতুদা পোল ষ্টার ক্লবকী নুপী মেম্বর অহুম য়াওনা মখাগী মীওই মরিসিনা ঈ দান তৌখি।

(১) নিংথৌখোংজম তম্পাকলৈমা, উরিপোক (২) নিংথৌখোংজম রাধাপ্যারি, উরিপোক (৩) নিংথৌখোংজম গোমা দেবী, উরিপোক অমসুং (৪) লোংজম খেলেন্দ্রো, কৈশাম্পাৎ।

লোয়ননা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুরগী মেম্বর ১১০ রোম ঈগী চাংয়েং তৌদুনা মশা মশাগী ঈগী কাঙলূপ খঙদোকখি।

কুমজা ১৯৭৫গী ফেব্রুৱারী ১১দগী ঈ দান তৌবা হৌখিবদগী চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ১১বু ক্লব অসিনা ‘ভোলন্টরি ব্লদ দোনরশিংগী ফেব্রুৱারী মীফম’ হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখি। কুমজা ১৯৭৬কী নবেম্বর ১দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিস ৱীককী লোইশিনবা নুমিৎতা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর রাজকুমার দোরেন্দ্রনা মণিপুরদা মপূং ফাবা ব্লদ বেঙ্ক অমা থম্লগনি হায়বগী থাজবা পীখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৮গী ফেব্রুৱারী ২৬তা ষ্টেট ম্যুজিয়ম ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ‘অহুমশুবা ভোলন্টরি ব্লদ দোনর্স’ কী মীফমদসু মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর য়ংমাসো শৈজানসু মণিপুরদা মপূং ফাবা ব্লদ বেঙ্ক অমা হাংদোকপগী থাজবা অমুক্কসু পীখি। কুমজা ১৯৭৮গী জুন ৫দা অখণ্ড অহৈশিংগা তান্নরগা মণিপুরদা ব্লদ বেঙ্ক অমা লিংখৎনবগীদমক্তা লুপা ২,০০,৩০০গী প্রপোজেল অমা মণিপুর লৈঙাক্তা পীশিনখি। মখা তানা কুমজা ১৯৭৯গী মার্চ ১২ অমসুং জুলাই ১০দা রিমাইন্দর অনীরক পীশিন্দুনা তকশিনখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওম্বোরক্তবদগী মণিপুরদা ব্লদ বেঙ্ক অমা থম্নবগী মঙলান্দা ঈ দান তৌবগী ঈহৌ শাগৎলকখিবা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুরগী আশা মাঙখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৯দগী ঈ দান তৌবা লেপখি।

কুমজা ১৯৭৫গী ফেব্রুৱারী ১১দগী কুমজা ১৯৭৯গী থংনবা শরুক ফাওবদা মীওইবগী পূন্সি কনবদা অতোপ্পা অমনা মহুৎ শিনবা য়াদ্রবা মীওইবগী শীংলিদা চেল্লিবা অঙাংবা ঈ অসিবু দান তৌবীখিবা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অমসুং লাইরমলেন্দা তিনখ্রবা মরুপশিংদুগী মমিং পঞ্জরমদ্রগদি অৱাৎপা অমা ওইহৌরগনি। মখোয়গী মমিংশিং মখাদা থমজরি।

| ঈগী গ্রুপ | সে নং | মীং | লৈফম | পীখিবা মশীং |
|---|---|---|---|---|
| গ্রুপ ‘ও’ | ১ | কে ঐচ জিকেন | য়াইস্কুল | ৩ লক |
| | ২ | আর কে নেত্রজিৎ | কৈশাম্পাৎ | ১ রক |
| | ৩ | ঐচ তোজো | য়াইস্কুল | ৩লক |
| | ৪ | টি জিবোন | - | ১রক |
| | ৫ | এস তোম্বা | কাঙবম লৈকায় | ১রক |
| | ৬ | আর কে চিংলেন | - | ১রক |
| | ৭ | এ কে চন্দ্রকুমার | শীংজমৈ | ১রক |
| | ৮ | এল তোমচা | - | ৪রক |
| | ৯ | এম ইনাওচা | - | ১রক |
| | ১০ | এল খেলেন | কৈশাম্পাৎ | ২রক |
| | ১১ | এম রঞ্জন | - | ২রক |
| | ১২ | এস ইনাওচা | - | ১রক |
| | ১৩ | আর কে মেঘজিৎ | শগোলবন্দ | ১রক |
| | ১৪ | এন রাধাপ্যারি | উরিপোক | ১রক |
| | ১৫ | এন তম্পাকলৈমা | উরিপোক | ১রক |
| | ১৬ | এ সুনিতিকুমার | ললাম্বুং | ১রক |
| | ১৭ | বি চুনিকিশ্বর | - | ১রক |
| | ১৮ | আর কে সোমোরজিৎ | য়ূম্নাম লৈকায় | ১রক |
| | ১৯ | দল্লিয়ু ইমোচা | - | ১রক |
| | ২০ | এল রনবির শর্ম্মা | - | ১রক |
| গ্রুপ ‘এ’ | ২১ | সী ঐচ ভোরোৎ | কৈশাম্পাৎ | ৩লক |
| | ২২ | সি ঐচ মৃতুনজোয় | কৈশাম্পাৎ | ১রক |
| | ২৩ | বি রেনুকিশ্বর শর্ম্মা | বামোন লৈকায় | ৩লক |
| | ২৪ | বি মহাবির শর্ম্মা | বামোন লৈকায় | ১রক |
| | ২৫ | বি জোতিন শর্ম্মা | থুম্বুথোং অরিবা | ১রক |
| | ২৬ | এন সোমা | উরিপোক | ১রক |
| | ২৭ | আর কে শান্তি | উরিপোক | ১রক |
| | ২৮ | বি এম জযাদেব শর্ম্মা | উরিপোক | ১রক |
| | ২৯ | এন রোমী | উরিপোক | ১রক |
| গ্রুপ ‘বি’ | ৩০ | সী ঐচ চাউবা | ললাম্বুং | ৫রক |
| | ৩১ | এস ঐচ বসন্ত শর্ম্মা | - | ২রক |
| | ৩২ | কে শ্যামসুন্দর | কাঙবম লৈকায় | ২রক |
| | ৩৩ | এ দ্বিজেন | - | ১রক |
| | ৩৪ | এল শশিকুমার | থাংমৈবন্দ | ১রক |
| | ৩৫ | এস শান্তিকুমার | য়াইস্কুল | ১রক |
| | ৩৬ | এস ইমোচা | - | ১রক |
| | ৩৭ | টি রাজেন | - | ১রক |
| | ৩৮ | জি এ ধঞ্জয় শর্ম্মা | কৈশাম্পাৎ | ১রক |
| | ৩৯ | এম অজয় চান্দ | - | ২রক |
| | ৪০ | মোহেন | - | ১রক |
| | ৪১ | দল্লিয়ু প্রিতমকুমার | - | ১রক |
| | ৪২ | এন রতন | উরিপোক | ১রক |
| | ৪৩ | ঐচ রামচরন শর্ম্মা | বামোন লৈকায় | ১রক |
| | ৪৪ | কে ঐচ বারুনি | বামোন লৈকায় | ১রক |
| গ্রুপ ‘এবি’ | ৪৫ | এন রাধাকান্ত সিংহ | উরিপোক | ২রক |
| | ৪৬ | এল গৌরচন্দ্র | কাঙবম লৈকায় | ১রক |

মতমদুদা ঈ-পাউ ফাওনবগী খ্বাইদগী থুবা পান্থৈসি লেন্দ লাইন টেলিফোননি। মদুসু লৈকায় খুদিংগী লৈবা নত্তে, য়ূমথোঙগীদি লায়রদনা। লাইন লৌবসু ‘হেল্লো এক্সচেঞ্জ’ গী মতমনি। মতমদুদা হোস্পিটাল অমসুং ব্লদ দোনরশিংগগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনবগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লৈখিদ্রবা ঐগী মরুপ নিংথৌখোংজম রাধাকান্তগী মরমদা খরদং পল্লমদবা ইয়ামক য়াদবনি। মহাক মতমদুদা লোক সভাগী কোংগ্রেসকী এম পি ওইরম্বা পাবুং নিংথৌখোংজম তোম্বীগী ময়াম্বগী মচানি। মখোয়গী লেন্দ লাইন টেলিফোন লৈ। লোয়ননা গাড়ী জীপ অমসু লৈ। হোস্পিটালদগী ঐগী মরুপ্তা ঈ গ্রুপকা লোয়ননা মথৌ তাবা ঈগী চাংসু হায়রক্কনি। মশামক্লা জীপ থৌদোরক্কনি। ব্লদ গ্রুপ্তুগা চানবা দোনর ময়ূমদগী লৌখৎকনি, মেম্বর অনী/অহুমগা লোয়ননা হোস্পিটালদা চৎকনি। ঈ দান তৌগনি। ঈ দান তৌবা লোইরগা পাওনা বজারদা গভর্ণরগী হাইজিনফমগী মায়োক্লবদা লৈরম্বা পশুরামগী হোটেল (হোটেল মমিং কাউরে) দা চৎকনি। চিকন সুপ পীথক্কনি।

**ৱারোইশিন :-** মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা ঈ দান তৌবগী ঈহৌ হৌদোকখিবা পোল ষ্টার ক্লব, মণিপুরবু কুমজা ২০১১গী জুন ১৪দা রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দেগী মাঙওইননা আই ঐচ বি টি (ব্লদ বেঙ্ক), রিমসকী সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর অদুগা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইবা ডা. কে রাজচন্দ্রনা ৱারেংজরিবা ঐবু থিবিরক্তুনা ৱারী-ৱাতাই তৌনবগা লোয়ননা অৱৈবা চে-চাং খরসু শিন্নজখি। লোয়ননা নুমিৎতুগী চীং লেল্লবা থৌরমদুদা পোল ষ্টার ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্টশিং শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং আর কে মেঘজিৎ অনীগা লোয়ননা ঐখোয় খরবু ফম্বাক্তা কৌখৎপীদুনা মতমদুগী রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এস শেখরজিৎনা মেমেন্তো খুদোল তম্বীখি।

হৌজিক্তি মণিপুরগী হোস্পিটাল খুদিংমক্তা (দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল য়াওনা) ব্লদ বেঙ্কশিং মরাং কায়না লৈরে। ঈ দান তৌনবা দোনরশিংসু লেপ্পা লৈতনা থোক্লক্লে। মহুৎ শিন্নবা অতোপ্পা অমা লৈত্রবা মীওইবা ঐখোয়গী শীংলিদা চেল্লিবা অঙাংবা ঈ অসি মথৌ তাবা মীওইশিংদা দান তৌদুনা মীওইবগী পূন্সি কনবদা মাঙজিল থারসি। ●

স্টেটকী পাউ

## প্লেন কায়দুনা মীওই কয়া শিখিবদা সী পি আইনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (এজেন্সী):**

এয়র ইন্দিয়াগী প্লেন অমা গুজরাটকী অহমেদবাদতা কায়বদগী ক্রু মেম্বর ১২ য়াওনা মীওই কয়া লৈখিদবদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাইবক থীরবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা থেংনরিবা অৱাবশিংদসু শরুক য়ারি হায়রি।

প্লেন কায়বা অদুদা বি জে মেদিকেল কোলেজগী মহৈরোয়শিং শিখিবা অমসুং অশোক অপন নঙখিবা অদুবুসু পার্টি অসিনা থম্মোয় শেংনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

প্লেন কায়বা অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা লৈঙাক্লা মথৌ তাবা মতেং অথুবদা পীনবা পার্টি অসিনা তকশিল্লকপগা লোয়ননা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা অথুবদা মতীক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না সেন্টর লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

পোলিটিকেল পার্টি অসিনা এরোপ্লেন অদু করম্না কায়খিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা থিদোক্তুনা অচুম্বা অদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না লৈঙাক্কী পুক্লিং চীংশিল্লক্লি। মতুংদা লাইবক থীবা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরিক চুম্না থিগৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি। সী পি আইনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈঙাক্না এয়র সেফটি রিগ্যুলেসনশিং নীংথিনা মথৌ তৌহন্দুনা এভিএসনগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীদনবা খন্নগদবনি।

অমরোমদা, ঙরাং এরোপ্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা ইনি দয়াদগী হৌখিবা বৃটিশকী মীওই অমখক্তমক হিংহৌখিবনি। লাইবক থীরবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবা ওইনা টাটা গ্রুপনা মীওই অমমমদা লুপা ক্রোর অমমম পীনবা লাউথোকখ্রে হায়রি।

## হার্মোনি ইন এক্সনদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্টরনেশনল কনফরেন্স লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (এজেন্সী):**

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স ইনোভেসন এন্দ কলচর, রাজা মঙ্গলা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজি করুংথেপতা থা অসিগী ৩দগী ৭ ফাওবা চৎখিবা হার্মোনি ইন এক্সনদা য়ুম্ফম ওইবা ৮শুবা ইন্টরনেশনল কনফরেন্সকী থৌরম মায় পাক্লা লোয়শিনখ্রে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর ডা. সকিলা নোংমৈকাপমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শীংথানিংঙাই ওইরবা কনফরেন্স অসিদা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিং য়াইফনবা, মীওইবগী হকশেলদা খুমাঙ চাওশিন্নবা অমসুং স্পিরিচুএলগী লমদা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা মালেমগী মফম কয়াগী লাকপা অখণ্ড অহৈশিংনা সেসন কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

রাজা মঙ্গলা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং গুৱাহাটিদা লৈবা লক্ষ্মিবাই নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন (এল এন আই পি ঈ)গা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগীসু প্রোফেসর মরিনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱাখল লৌশিং কয়া মীয়ামদা খুদোল তমখি।

কনফরেন্স অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, তেজপুর য়ুনিভর্সিটি, এল এন আই পি ঈ, আই সী এফ এ আই য়ুনিভর্সিটি অমসুং অতোপ্পা কোলেজশিংগী মীহুৎ ৭০গী মথক্তা শরুক য়াখি হায়রি।

## এম ঐচ আর সীনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৩ (এজেন্সী):**

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী টিম অমনা মণিপুরদা ঈচাও থোক্তুনা অৱাবা নংলবা মীওইশিংনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না এম ঐচ আর সীগী অন্দর সেক্রেটরি কম এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার মুহম্মদ জিয়াউর রহমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, এম ঐচ আর সীগী মেম্বরনা লুচিংবা টিম অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্খৈ, ক্ষেত্রিগাও, হৈঙাং অমসুং খুরাইনচিংবা মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা আই এস বি টি, লুৱাংশাংবম ক্রিকেট গ্রাউন্দ অমসুং কাইরংগী মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংসু য়েংশিনখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সব দিপ্যুটি কল্লেক্টরশিংনা পীখৎলকখিবা রিপোর্টশিং অদু কদাই ফাওবা ময়েক শেংলবগে হায়বগী মতাংদা টিম অদুনা হকথেংননা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা চেঙ-হৱাই য়াওনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীনবা থৌরাং তৌখিবশিংবুসু টিম অসিনা য়েংশিনখি। টিম অসিনা ঈচাও মায়োক্লরবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অয়াংপল্লি রোদ, পোরোম্পাৎ অমদি য়োংলান লৈরক্লচিংবা মফমশিংসু য়েংশিনখি হায়রি।

এম ঐচ আর সীগী টিম অসিনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখিবদা মীয়াম্না লৈনরিবা মফমশিংদা ফিট ৪দগী ৫ ফাওবা ঈশিং থুমজিনবগী মমি উখিবগা লোয়ননা মফমশিং অদুদা ইরম খোঙলম নীংথিনা শেমগৎ শাগৎপগী শক্তম উখিদে। মৈ ফংদবগী অৱাবা ময়োক্লবনা অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা অৱাবা নংহনবগী থৌওংশিংসু থেংনরকখি হায়রি।